# লমদমসিদা অহোংবা পুরকপা হায়বসি লৌউ-শিংউদা মপুং ফানা চাওখৎহনবা চংই

*-এমদি নাসির*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, মে ৩ঃ*** লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন্দা চাওখৎপা অমদি অহোংবা পুরকপা হায়বসি লৌউ-শিংউবদা হেন্না মপুং ফানা চাওখৎহন দুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা চংই। মরম অদুনা লমদম অসিদা এগ্রিকলচরগী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনগনি হায়না নবার্দ -আরও মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা স্মার্ট সোসাইটিনা শিন্দুনা শিংজমৈ য়ুন্নাম লৈকায় লাইরেন্বী লম্পাক্তা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা চত্থগদবা ফার্মরস মেলা অমা হৌদোকপগী থৌরমদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর এমদি অব্দুল নাসিরনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা ২০১৪ দা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা লমদম অসিগী ওইনা অখন্নবা মীৎয়েং অমগী মখাদা চাওরবা শেনফম অমা থারকপা য়াবগী ফিভম লৈ। করিগুম্বা শেলফম অসি থাদরক্লবদি লমদম অসিনা এগ্রিকলচরগী লমদা শোত্থনা লৈরিবসি খরদা ওইরবসু মেনখৎনবা হোৎনগনি।

লমদম অসিগী লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্দুনা অর্বান অমসুং রুরেল অনিগী খেন্নবা লৈহন্দনবা হোৎনগনি অমসুং চাওখৎপা শান্তি লৈবা লমদম অমা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। অমরোমদা লমদম অসিদা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা লুচিংবা সরকার লাকপদগী চাওখৎ-খোঙথাংদা মমাংঙৈগা মান্নদ্রে। অসুক্কী মতিক খোঞ্জেল য়াংলে। অদুমকপু চাওখৎ খোঞ্জেলদা লৈবাক অসিগী মীয়াম য়াওদনদি মপুং ফারোইদবনা মীয়াম্না সরকারসিনা পায়খৎলকপা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মণিপুর সরকারগী ফিসরি দাইরেক্টর কে সরতকুমারনা হায়খিবদা, লমদম অসিগী ঙামীশিংনা ঙসিদি চহি অমদা ঙা মেত্রিক টন লিশিং ২০ লোম পুথোকপা ঙম্লে। হান্না লমদম অসিদা দরকার লৈবা ঙাগী চাং মপান লমদগী পুশিল্লক্লস্সদু ঙসি শুপনগী মেত্রিক টন ৭ লোমদমক পুশিল্লক্লি। মসিসু চহি ৩/৪ গী মতুংদদি মপুং ফানা মেনখৎপা ঙম্লগনি। মসিগীদমক ঙামীশিং মতমগা চানবা মওংদা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া দিপার্টমেন্টনা মতেং পাংদুনা শীজিন্নহল্লি।

ঙসিদি ঐখোয়গী লমদম অসিগী ঙামীশিংনা পুথোকচবা ঙা কয়া কৈথেলদা মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লে। মসিমক দিপার্টমেন্ট অমসুং ঙামীশিংগী হোৎনজমলনি। ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ৫ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চত্থগদবা মেলা অসিনা লৌমীশিংদা য়াম্না পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা হেন্না পোত্থোক পুথোকহন্নিংবগী ৱাখল্লোন ফাওহল্লগনি। মেলা অসি তুংদসু লমদম অসিগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা পাঙথোকহন্নিংই হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি স্মার্ট সোসাইটি মণিপুরনা শিন্দুনা ফার্মর মেলা অসিদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট নত্তনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৮গী ফার্মরশিংনা পুন্না ষ্টোল ৪০ হাংদুনা শরুক য়ারি।